ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯔꯤ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জন্যুৱারী ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৯৩শুবা মশীং

# লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিং
## করিগী থৌদারকপা, তকশিল্লকপা ঙাইদোইনো

জন্যুৱারী ১৭, ২০২২দা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা নুপী মীয়াম থোমজিল্লকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। থৌদোক্তু দিসেম্বর ২১ অমসুং ২২, ২০২১গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা হৈরোক পার্ট-২ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা নিংথৌজম রোহিট (১৯) বু নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবা অমসুং মহাক্কী অপোকপা মপা এন প্রেমচন্দ্রবুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা শোকহল্লম্বা থৌদোক্কী মায়োক্তুনি। থৌদোক অদুদা শীজিন্নখিবা নোংমৈশিং ফাগৎতবা (রিকোভর তৌবা ঙমদবা) অমসুং থৌদোক্তুবু হকথেংননা পাঙথোকখিবনি হায়বা মীওই মশক খঙদোকপা ঙমদনা লৈরকপগী মায়োক্তা থৌদোক্তুগী মতাংদা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অমসুং মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈহৌনি। নুপীশিংদুনা পুলিস ষ্টেসনগী য়োৎকী গেট নমখাইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পেন্দবা ৱাকৎ মীফম অমা হৈরোক পাট-২ ময়ায় লৈকায় অপ্পর প্রাইমারি স্কুল লম্পাক্তা পাঙথোকখিবনি। প্রোটেষ্ট মীফমদুদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংদুনা নিংথৌজম রোহিট হাৎপদা শীজিন্নবা নোংমৈ ফাগৎলু, হকথেংননা চেন্নবা মীওইশিং মশক তাকউ, কেস অদুগী চার্জশীট কোর্টতা অথুবা মতমদা থাগৎলু হায়বগী দিমান্দ তৌখিবনি। অদুগা তাল্লিবা দিমান্দশিংসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবা পুলিস হৈরোকতা লৈবিরনু, পুলিস ষ্টেসন থম্বীরনু, হৈরোককী মীয়াম মখোয় মশানা ঙাকচরগে হায়রকপনি। থৌদোক্তুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপী মীয়ামদুনা হায়রকখ্রিবা ৱাফম, তাল্লকখ্রিবা দিমান্দশিং অসিবু হায়রকফম থোকহল্লিবা, তাল্লকহনফম থোকহল্লক্লিবা করিগীনো? লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা পাঙথোক্কদবা অমসুং পাঙথোকফম থোকপা থবকশিংসিবু মথক থোংবা অঙম্বশিংনা থৌদারকপা নৎত্রগা থৌদোক্তুগা মরী লৈনরিবশিংনা তকশিল্লকপা, খোঙজং চঙশিলহল্লকফম থোকপ্রা? অদুবু লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা পাঙথোক্কদবা মথৌশিং পাঙথোক্তবগী, পাঙথোক্লবসু তন্দে-মান্দে তৌদুনা মঙম শান্দবগী, তৌরবসু শুম ফেল ওইদুনা লৈরকপদগী চোঙশিন্নরক্তুনা খুদোম্বীনা থিন্দুনা তাল্লকপা অমসুং অকুনবা ষণ হৌগৎহন্নবগী মমৈ থেকপগী ফীভমদা হেক হেক লৈরক্লিবসিদি হন্দক্কী হৈরোককী থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে। পীকখ্রবা ষ্টেটসিদা মশীং থিঙমদনা থোকখ্রে। থোকখ্রবা মতুংদা থোকহন্নীংদবনি হায়দুনা তকশি শোনবা অমসুং নীংদোল পোম্নবা থৌদোক অয়াম্বদা থোকখি। হায়রিবা থৌদোকশিংসিদি হৌরক্লিবা নুপী মীয়াম অমসুং জে এ সীনচিংবদা য়াওরিবা মীয়ামদুনা মথৌ লৈতবদগী তৌরকপা নত্তে। লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা তৌথোরকফম থোকপা থবকশিং তৌরক্তবদগী থোক্লকপনি।

অদুবু কনখ্রবা, য়ামখ্রবা খূৎলায় পায়বশিংগী ঈরাং ময়াম ফাওবা লাকশিন্দুনা ঈং-চিকপা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙম্লে হায়রিবা ফীভম অসি য়ৌনা ওইহল্লকপদা থৌনা ফনা থৌদাং লৌখিবা ষ্টেট পুলিসনা থৌদোক ৱাথোক, ক্রাইমশিংগী মতাংদা চপ-চাবা ইনভেষ্টিগেসনগী মায় পাকপা রিজল্ট পুথোকপা ঙমদদুনা ক্রিমিনেলশিং ফাগৎপদা অসুক য়াম্না শোন্থরিবা করিগীনো? পাঙথোক্কদবা অমসুং পাঙথোকফম থোকপা দ্যুটি বাউন্দ ওইবা থবকপু মীনা থৌদাবা অমসুং দিমান্দ তৌরকপা ঙাইগদ্রা? হায়রগদা তাবা, নীরগদা পীবগী হৈনবী থম্ফম থোকপ্রা? অদুবু তৌরক্লিবা ময়ামসিদি তৌফম থোকপশিং তৌরক্তে হায়বগী নৎত্রা? মসিগী থাকসিদা ষ্টেটকী লো-এনফোর্সিং এজেন্সী অমনা কুমথরকপা চুম্লোই। পুলিস হায়বসিদি মীয়ামগী কনবিবা মপু ওইগদবনি। অনাবা মীওইনা লায়েংবা হৌদ্রগসু হোস্পিটাল য়ৌরকপদদা মহাক্কী অনাবশিং কোক্লগনি হায়বগী থাজবা অনাবদুগী মায়থোঙদা তাবগুম মসিগী থাজবশিং পোকহনগদবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা 'লৈবিরনু চৎখ্রো' হায়রক্লিবশিংসিদি হায়রকফম থোকপ্রা, হায়বা য়াবা ৱারা হায়বনি। থৌদোকসি থা ফাজিল্লক্লবা হৈরোককী থৌদোকসি খক্কী ৱাফম নত্তে। ফোং-ফোং শারিবা জন্যুৱারী ১২, ২০২২গী নুমিদাংদা থোকখিবা শামুরৌগী থৌদোকসু লৈরিবনি। অদুবু পূম্নমকসি থৌদোক অনীমক্তা শেমখ্রিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) শিংনা তৌফম থোকপশিং তৌদে হায়বা নত্তে। কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলি। হৈরোককীদি চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং ফাওবা ফাগৎখ্রে। পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে। জুদিসল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে। অদুবু ম্যেন এক্ক্যুজ/কলপ্রিট পুথোকপা ঙমদে, চেন্নবা নোংমৈ ফাগৎত্রি হায়বনি। ইশম শম্বদা ওপরেসন মায় পাক্লে অদুবু অনাবদি হিংদ্রে হায়বনি। মসি ওইরগদি হোৎনখিবা পূম্নমক্তুগী মহয়দি প্রোটেষ্ট/দিমান্দ ওইনা মায়োক্লরকপা মশানা তাবনি। মসি চুমদে। মখা তানা থোকহনবদা অফবা ওইরক্কদবা মান্দে। পাঙথোকফম থোকপশিং পাঙথোরকপদা ৱাখল মাঙবা, পঙথহল্লকপা মানবগী মমি তাহন্দনা থৌদারকপা/তকশিল্লকপা থৌদোক থোরক্ত্রিঙৈদা তৌহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪

১) *"দেবম"* হায়বা অঙাংগী নোভেল অসি ওরিজিনেল করি লোলদা কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **"শোক্লবা থম্মোয়গী খোল্লাউ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"নুংশি ৱারী"** হায়বা নোভেল অসি কনানা ইবনো?

৪) *"চোলোম পরেং"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"তাইবঙ নমু পোংওইবশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু, পূক্লিং ৱারৈচল পায়মা হকশোল লাংনা অৱাবা ৱাখল্লবা পামেন উফাল অকায়বদা ফম্না তরা খূৎপুন হুক্লবা। নুমিদাং ইনুং য়াচঙবদা মিৎয়েং নাওসুমলবা। মোমনু নুজা মথোক কারকপীবু পানগন খূৎঙমথীনা, হৈরাং শংনা চারবা। নমু মীরমচৎ অসিগুম্বশিংদি। শীঙেল নাৱোইদোংনা; পমেন উমং ঙান্না শাৎলিদি হায়ববু; লৈরাং লৈমন য়াওদবনা, শীংলেল মাবু লৈথানদবা অদুগুম্বনে।"***
ৱারেং মতেক অসি করি লাইরিক্তুগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬১
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতম অমা মমাঙঙৈগী অহল লমনশিংনা মীৎয়েং শান্না শুমাং লীলাগী লম্বী অমা উবীরমদে। খঙদবদগী য়েংখিদবনি, থৌওইনা য়েংখিদবমক্তি নত্তে হায়না খল্লি। মরম হায়ববু মমাঙদসু থমজখ্রিবদুনি, শুমাং লীলা য়াওবীরম্বা অমদি তৌবীরম্লিবা ওজাশিং, অহল-লমনশিং, অদুক য়াম্না একাদেমিক ওইবা মায়কৈ অমরোমদা চঙশিনবীরমদে। লীলা তৌরিবনি হায়না অদুক তৌরম্বনি, মশাগী পীথোরকপা মতিক ময়াই অদু শীজিন্নরগা, মশাগী হৈশিংবা কয়া অদু উথোক্তুনা মীয়ামদা লীলা শান্নরম্বনি। লীলা শান্নবা মতমদদি মখোয়গী লম্বা তৌবীনবা অমত্তা হেক লৈখিদে। য়াম্না ময়াই চেনবা ঙাক্তনি। মখোয় অদুননি মণিপুরী শুমাং লীলাবুসু ৱাংনা থাঙ্গৎপীরম্বা। মসিমদি ঙসিগী নহারোলশিং অসিনা তম্বদা থোক্লরোইদৌরিবা/ঙমলোইদৌরিবা। মসিগী মতাং অসি য়ৌরকপদদি অহল লমনশিং অদুবু থম্মোয় শেংনা থাগৎতবা ঙমদে। হন্না হন্না কোকসি নোঞ্জরি। অদুবু মতমদুদা অহলশিং অদুগী ইচম চম্বা মতৌ অদুনা থোইদোক্লা মখোয় মখোয়গী আর্টকী লম্‌দা হৈ শিংজবা অদু খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মায়কৈ অমদদি য়েংখিদবনি। লীলা পুথোকপা, লীলা শান্নবা, ময়াম্না ফজৈ ফজৈ হায়রগা পংপেন্দা পেল্লম্বা, চাগনি থক্কনি হায়বা খঙদবমখৈ পংনুংদা নুংঙাইখিবা অদুনি হায়বা তাই। মতমদুগী লীলাদুদি, লীলাগী ওফিস হায়বা লৈরমদে, লীলা ওফিসকী থোইদোকপা মথৌ তাখিদে। মায়কৈ মায়কৈগী লমগী মমিং পন্নরগা, ওজা-গুরু অমা অনীগী মমিং থোন্নরগা, লীলা তৌরম্বনি। খুদম ওইনা হায়রবদা - য়োৎশুবী ফাগি, চেঙবা ফাগি, থাওমৈ মখোঙ অসুম্না মথং মথং চত্থরকখিবনি, হরিসচন্দ্র লীলা পার্টি (খোঙহাম্পাৎ), মহাপ্রভু ফিতা ওনবা পার্টি (খুয়াথোঙ), থোক লীলানচিংবা, মতুং অমা লাকপদনা - পুয়া মৈথাবা পার্টি (লৈখিদ্রবা অঙৌতোন মৈতৈ অমদি কাঙবু), বি এ মপা লম্বোইবা পার্টি (ঐগ্যা নোংমাইজিং অমদি কাঙবু)। সিগী মখা চত্থরকপদনা, কোঞ্জেং লৈকায় পার্টি, লুক্রাম লৈরক পার্টি, হৈঙাং পার্টি, তাকয়েল কাঙবু হায়বনচিংবা ওজা খরগী মীংদা মাগী মাগী লম য়াওনা কোনশিন্দুনা লৈরম্মী। হোয় মতম অসুৱাইদদি লীলাগী ওইনা রেজিষ্টর তৌরবা পার্টি খরা অমসু থোরকখ্রে। মমিং পল্লবদা - ইষ্টর্ন যাত্রা এসোসিএসন (ইহান হান্না কো-ওপরেটিভ ওফিসতা রেজিষ্টর তৌখিবা), মৈতৈ লৈমা যত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন, নোর্থ ইম্ফাল মণিপুর যাত্রা এসোসিএসননচিংবা কয়া কয়া।

হৌরকপা মতমদা লৈখিবা অহল লমনশিং অদুগী মখাদা পরিং অমুক চত্থরকপদা শুমাং লীলাগী মপূং মরৈ ফারকপা, খম থেংনা শুমাং লীলানা চাওখৎলকপা মতম অসিদনা অমুক লীলাগী ওফিস হাংদুনা লৈরে। অহানবদা ওজা অমগী য়ূমগী মমাঙ শঙ্গোয়দা, মাঙ্গোলদা লীলা তম্নরম্মী, লীলাগী চেবাউ লৌনরম্মী। লীলাগী আর্টিষ্ট মখৈ ওজাদুগী য়ূমদা হেক হেক পুন্দুনা লীলা চৎমিন্নরম্মী। লীলা চৎপসিসু অঙনবদগী সাইকল তোংদুনা মরী মরী চৎখ্রগা অহিং য়ারেক্তুনা, মায়কৈ মায়কৈরোমদা অমুক মথং মথং চৎনরম্বনি। লীলা মফমদা থংনবা খুল অমদি অতৈ খুলদগী লাক্তুনা মখোয়গীদসু লীলা তৌবীয়ু হায়না মরী মরী অদুম চৎথনৈ। য়ূমদা পাক পাক হল্লকপা নত্তে। নুমিৎ কয়ানি অদুম লীলা চৎখিবনি। মতমদুগী লীলাগী মমলসু তাঙবা ওইখিদে। লুপা ১০-১৫/২০/৩০ অদুৱাইদা লৌবনি। লুপা ৫০গকা য়ৌরবদি লীলাদু তাঙই হায়না খন্নরম্মী। থোইদোক্লা শেলগী ৱা ঙাকসু নত্তনা আর্টিষ্টশিং অদুগী পেঞ্জবা, নুংঙাইজবা অমগা লোয়ননা লীলা শান্নরম্বনি হায়নসু থম্বী। অদুগা লীলা য়াওবা মীওই অমত্তা মশাগী মরৌ মশীং উবা, ইঙ্খোল কোয়বা অমদি য়ূমগী কানবা থবক্তি অমত্তা তৌদ্রে। অদুনা মচা মশুদসু ওইখ্রবা অহলশিংদুগী মফমদা চাম্মরক হন্না নোঞ্জরি। খরা থেংথরগনা লুপা ১০০/২০০নি। হায়রিসিদি মমল খরা তাঙখৎলক্লবা মতমগী ৱানি হায়না অহলশিং অদুনা থম্বীরম্মী। অদুনা চাবসিসু থুংলু-থুংলুবা মফমদুগী ইমুংদুনা শিনবী লাংবীরগা থোংবীরগা চাবনি। ঐগ্যাগুম্বা য়াওরগনা, থুংলুবা মফমদুদা ঐগ্যা মশাদুনা ময়ামগীদমক শঙ্গোয়দা করিদা তরু তনান্না ৱাই তৈথোক্লগা, থোংলগা ময়াম পূন্না হাওবা হাওতবা চামিন্নখিবনি। তমথোরকপদদি ফজদ্রবা, অদুবু মতমদুগী কৈদা অদুমদি তম্লবসু থোইনা কাইদবা ৱাফম খরা অমসু লৈরি। মসি ইমিৎমক্লা উহৌবা নৎত্রবসু, মদুদা য়াওখিবা ওজাশিং, অহল লমনশিং অদুনা ইশাদা লীবিরম্বা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা ময়ামদা তমজগদৌরিবনি। মসিনা মতমদুগী অহল লমনশিং অদুবু খোঙ্গোইনবা নৎত্রগা পাউথাংনবা নৎচতে। মরী লৈনবশিংনা ৱারৌবীদনবা হন্না হায়জরি। লীলা শান্নবদা নোংমা কানবা মতমগসু লৈখি। অদুবু য়ূমদা হল্লকপা মতমদদি খরা খুদোং ৱায়োং চারোইদবনা মরম ওইদুনা মফম অমদা পুনশিন্দুনা লৈমিন্নে। মতমদুদা মতম লেনবা ওইনা মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা জ্বার শান্নবসিমা য়াম্না তোয়না তৌনৈ। অফংবা শেলশিংদু জ্বারদা থাদোকপা, অদুনা মখূৎ শিৎ শিৎ নানবগসু য়াওনৈ। মদুদগী লীলা মফমদুদা শাওনরকপা য়াওবদগী লীলা তোক্লে গাইনা হায়নদুনা য়াম্না নাতৈ চাদবগসু থেংনৈ হায়না অহলশিংদুনা ৱারী লীবিরম্মী। মদুদগী খরা অমনা, গঞ্জা থকপসিসু য়াম্না পাম্নবা য়াওখি। অদুনা গঞ্জা থক্লগা মতম লেনবা, লীলা শান্নরমদাইদা অদুম শান্নবা, মসি য়াম্না চৎনরকই। অদুনা খরা থেংথরবা মতমদসু লীলা ফি শেৎফমদা, ফি শেৎপা য়েংবদা কদাইদগীনো খঙদবা মনম অমা হেক হেক ফাওরকই। মদু গঞ্জাগী মনমনি। মসি য়াম্না তোয়না নমদুনা লাকখ্রবনি। খরা লৈরগদি গঞ্জাগী মনমদু য়ুগী মনম ওইনা শিল্লকখি। লীলা মফম হেক য়ৌবগা য়ু পুথোক্তুনা থৌগল তৌবা, লীলাগী কাঙবুনসু য়ু পীয়ু হায়দুনা তানবা, লিক্লি অনী নৎত্রগা অহুমদি লীলা পার্টিগী য়ুনি হায়না থৌওইনা শীংদুনা থম্বসু ঐখোয় উবা ফংলকখি। মসিমা মতম মতমদুগী ৱানি, হৌজিক্তি মদুগী ৱা লৈখিদ্রে। য়াম্না হোংখ্রে। হৌজিক্তি মদুগুম্বদু লীলাগী ফি শেৎফমদা উখিদ্রে।

ঙসিদি য়াম্না হোংলে। শুমাং লীলাগীনি হায়বা মফম অমা কঞ্জদুনা শঙলেন শাদুনা লৈরে। শঙলেন অসি করম্না শাখিবনো হায়বগী চাওরবা ৱারী লৈ। মদুমা ঙাইহাক নাথৈজরল্লগে, সিগী ৱারীসিনা মথংগী ইস্যুদা ওইনা লাকচরগে। ঙসিগীদি মতমদুগী অহল লমনশিং অদুনা অসিগুম্বা শঙলেন অমগী মঙ মঙলম্বদি য়াই অদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী চপ চাবা মফম অমা কঞ্জনবগী তাঞ্জাদি অমত্তা লৌরমদে। শুমাং লীলানা শাহৌ ফনা হম হম চাওখৎলকপা মতমদা লাইনসু-মীনসু য়াবা মতম অমা ওইরকপা মতমদা, মতমদুগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লীলা অসি য়াম্না পাম্নরকখিবনি। মতমদুদা লৈঙাকপদা য়াওখিবা, মিনিষ্টর ওইখিবা, এম এল এ ওইখিবা, অচৌ অশাং ওইখিবা পূম্নমক লীলা য়েংখিদবা লৈখিদে। মখোয় মখোয়ননি লীলাসি মফম অয়াম্বদা, থৌদোক খুদিংদা কৌ কৌদুনা শান্নহনখিবা। মতমদুদা ঐখোয়গী অহল লমনশিং অদুনা থৱায় য়াওশিন্দুনা শুমাং লীলাগী মফম অমা কনবা অদুগা মদুবু শাগৎনবগী খুদোং চাবা লৌবা হায়বসিদি থোইদোক্লা অরুবা ওইরম্বা নত্তে। মরমদি মতমদুদদি লমসু মরাং কায়বা ওইবনা লম থিবগী থোইদোক্লা অৱাবা লৈখিদবনা নত্তে। অদুবু মদু য়ৌনা ৱাখল খনবা অমদি তুংলমচৎ য়েংনা থবক তৌরম্বা থোইনা লৈখিদে। মখোয়গী লীলাদু মীয়ামদা উৎলগা মীয়াম্না খূবাক খুদুনা হরাও হরাও ৱা ৱা নোকমিন্নবদুনা অপেনবা ওইখি। তৌবু তৌগে হায়রদি মতমদুদা লৈখিদবা অহলশিং অদুগী মরক্তা মীৎয়েং শানবা অমদি তুংলমচৎকী য়েংবা কয়া থোইনা লৈখিদব্রা হায়না খল্লি। অদুনা মায়কৈ অসোমদদি কয়া কূপ্না য়েংশিনখিদবা ওইগনি হায়না খল্লি। অদুমক ওইরবসু অহল লমনশিং অদুনা তম্বীরম্বা খুদোল অদুমদি ঙসিসু মপোপ কায়দনা লেঙদনা লৈরি। তৌবতবু মশা শোকচিল্লকপদি হৌরে। মসিদনি অমুক নুংনাংলিবসিনা। অদুবু মসিসু হৌজিক্কী মীরোল অমদি শুমাং লীলাবু শেন্নবিরিবা পূম্নমকশিংনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা হান্নগুম তগৎ তগৎ তেক্লবা হোৎনবদি লেপত্রি। ঐগী মায়কৈদগীসু হোৎনবিরিবা পূম্নমকশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শুমাং লীলানা মশা মঙ খিংনা লৈহন্নবা মখল খুদিংগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং পূম্নমক লৌখৎপীখিগনি খঞ্জে। শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা অসিমা চেৎনা থাজবা থমজরি। ●

# পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ঙসি ইন্দিয়াগী অমদি ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী লৈঙাকলোন্দা লুচিংবশিংনা পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক্তা নৎত্রগা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক্তা লৈবাক ঙাক্লিব্রা হায়বগী ৱাফমসি ইরায় লায়না থম্বা য়াদ্রে। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা করম্বা ৱাখল্লোন চেল্লি, মখোয়না করম্বা মওংদা মীচম মীয়াম্বু য়েংই, করম্না মথৌ তৌই, পাঙথোকই হায়বসি মখোয়না পোলিটিক্সপু করম্বা ৱাহন্থোক্তা থম্বগে হায়বসিগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী অয়াম্বা লৈঙাকপশিংনা থম্নরিবা অমদি ইন্দুনা চৎনরিবা ৱাহন্থোকসি পোলিটিক্স হায়বা ৱাফম অসিনি। দেমোক্রেসি হায়বা ইংলিসকী ৱাফমসিদি য়াম্না লাপ্পা থমখ্রে হায়বা য়াই। পোলিটিক্সপু লৈঙাকলোইগী আইনশিং, লম্বীশিং ওইনা ৱাহন্থোক লৌবগী মহুত্তা লুচিংবা অয়াম্বনা পোলিটিক্সপু নিংথৌ অমনা মতৌ করম্না লৈঙাকপগে হায়বগী ৱাহন্থোক্তা চৎনৈ। মসি মখোয়না পামজবা, চান্নজবা অদু থিদুনা লৌজবদা ৱাহন্থোকনি। মসিগী ৱাহন্থোক অসি ইনবনা লুচিংবশিং অসিনা মখোয়সি নিংথৌগুম্না লৈঙাক্লিবা লৈঙাকপশিংনি হায়না লৌজরি। অসুম্না লৌফমসু থোকই, করিগী মখোয়বু অসুম্না হেক হেক ৱাংনা থাংগৎপীবা অসিনা।

টি ভিদা, রেদিওদা অমদি প্রিন্ট মীদিয়ানচিংবদা য়েংবীয়ু। মিনিষ্টর অমবু নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টর অমবু নিংথৌগা পাঙ্খকনি হায়না য়াম্না তোয়না পনবা থেংনৈ, মরু ওইনা পাউচেগী এদিটরশিং অমদি রিপোর্টরশিংদগী। তশেংবগীদি অসুম্না হেক হেক মখোয়বু থাঙ্গৎপীবসি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবনি, মখোয়বু নাও চাওহনবনি। অসুম্না মখোয়বু নিংথৌগুম তোয়না থাঙ্গৎপীবা অসিনা মরম ওইদুনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ইন্দুনা নোল্লুক্লা মীয়ামগী থৌগাই তৌবা থোরকপনি হায়বসি কাউহল্লে। মরম অসিননি ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিং অমদি সী এমনা য়াম্না চাউনা চাউনা নিংথৌ অমগুম ৱা ঙাঙলিবা, থবক তৌরিবা। অসিগুম্বা নিংথৌনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি লৈবননি মীওই অমত্তনা মখোয়গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ঙমহন্দ্রিবা। ঙাঙলুরবদি মরাল অমা পীশিন্দুনা জেলদা হেক্তা থমজিল্লিবা।

দেমোক্রেসিবু নিংথিনা ইন্দুনা চৎপা লৈবাক কয়াদা য়েংবীয়ু ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী লুচিংবশিংনা খন্নরিবা ৱাখল্লোনশিং অসি লৈতবনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক খঙনা চৎপনা য়ু এস এ, কেনাদা অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা মখোয়গী ৱাজাউ ঙাঙবা, মীচম মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবা, পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙনীংবা মতমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী পাউ তাদ্রিবা। মতাং চারিঙৈসিদা পোলিটিক্সকী ৱাখল্লোন চেনবা ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর অমখক্কী ৱাফম অমা থমজগে। মিনিষ্টর অসিনা হোটেলদগী মফম অমদা চৎপগী টেক্সি তোংবদা ক্বা চাগে তৌবদা টেক্সি দ্রাইভর অদুনা টেক্সি মনুংদা ক্বা চাবা য়াদে হায়বদা মহাক মশক খঙব্রা, ইন্দিয়াদা মিনিষ্টর ওইরিবনি হায়না য়াম্না চাওথোক্লা হায়রুবদা টেক্সি দ্রাইভর অদুনা নঙনা ইন্দিয়াদা মিনিষ্টর ওইরগা কৈদৌদোইবা হায়না মখূৎ পায়দুনা টেক্সিদগী চিংথগে তৌবদা ক্বা চাররোই হায়বদগী মহাক্লা চৎনীংবা মফমদুদা পুবী। থৌদোকসি Arnold Schwarzenegger গী হৌরকফম ওইরিবা Austria গী Salzburg city দা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী ৱারীসি ঐহাক্লা স্লোভাকিয়াদা পাঙথোকখিবা ২০১৪ মিষ্টর ৱর্ল্ড লোইরগা Austria গী city Vienna অমদি Salzburg তা কোয়রুবদা Salzburg city দা Austrian নুপী লৌদুনা লৈবা ঐহাক্কা জে এন য়ুদা লাইরিক তম্মীন্নরকপা ইন্দিয়াগী ইমান্নবা অমনা তল্লকপনি। মসিনা তাক্লিবদি মফমদুগী লুচিংবশিং মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লৈবনি হায়বগী দেমোক্রেসিগী ৱাখল্লোনসি চেল্লি হায়বদু উৎপনি।

দেমোক্রেসি চৎপা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিং অসিদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক অদুগী মতুংইন্না চৎপনিনা মীয়ামগী থৌগল্লোন ওইনা চৎলি, মীয়াম্বু য়ানবা থবক তৌই অমদি মীয়াম্বু ইকায়খুম্নে। অদুবু ইন্দিয়া অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তদি পোলিটিক্স হায়বদি নিংথৌগী আইনগী মতুংইন্না লৈঙাকপা হায়দুনা ৱাহন্থোক লৌবনা দেমোক্রেসি, দেমোক্রেসি হায়না চাওথোকচনা লাউজরবসু ৱাখল্লোনদা, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা অমদি থবক তৌথোরকপদদি মশা মশামক নিংথৌগুম মখোয় মঙাইরে চাউরিবসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থবক তৌরকই। ৱাখল্লোল অসি লৈবননি মখোয়না তৌনীং তৌনীংবা তৌদুনা লৈবাক্কী আইন অমদি দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনবু খোঙ্গোইনরিবা। মসি ময়াম্না অদুম উবিরে। মসিনি পোলিটিক্স হায়বসিগী ৱাহন্থোক।

অতোপ্পা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংদি থম্বু থমখিসি, কম্ম্যুনিষ্ট লৈবাকনি, হ্যুমেন রাইটস লৈতবা লৈবাকনি হায়না তত্তনা চৈবিরিবা সুপর পৱারসু ওইগদৌরিবা চাইনাগী President Xi-Jin Ping ফাওবা মহাক্লা চানীংবা নুদল লৈবদা মীচম মীয়াম্না পরেংনা লেপ্তুনা মাগী মাগী তাঞ্জা য়ৌরকপা ঙাইবদা মহাকসু মীচম মীয়ামগুম লেপ্তুনা মহাক্কী পালি য়ৌরকপা ঙাইবগী ৱারী লৈরিবনি, হায়বদি য়াম্না চম্না, নোল্লুক্লা চৎলি, মীয়াম্বু ইকায়খুম্নবী হায়বনি। অদুগা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না চাওথোকচরিবা ইন্দিয়া অমদি ইরমদমদদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ইন্দুনা চৎপা লুচিংবদি য়াওবু য়াওদে হায়বা য়াই। চিনদদি দেমোক্রেসি চৎপা হায়না লাউবা অদুগা তৌথোরকপদদি পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক (ঐহাক নিংথৌনি) লৌদুনা নিংথৌগুম মানা মানা তৌনীংবা পংতৌদা তৌরি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি লৈবগী নৎত্রো এম এল এ অমদি মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা মখোয়না তৌনীংবা তৌদুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা। পোলিটিক্সকী ৱাখল্লোন অসি চেনবনা নৎত্রো এম এল এগী থাকপু য়ৌখ্রদি নিংথৌদু মঙাই মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি ৱাঙাঙ-শঙাঙ। লোইনমকপুদি নত্তেকো অদুবু অয়াম্বনদি অসিগুম্বা পোলিটিক্সকী ৱাখল্লোনসে চৎলি।

লোইশিল্লকপদা, অসিগুম্বা ঐহাক নিংথৌগুম্বনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈবা, মশা-মশাগী অনীংবা, অপাম্বতা খন্দুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা অমদি মীয়াম্বু করিসু ওইদনা খল্লিবা, পোলিটিক্স হায়রিবা ৱাহৈসিবু নিংথৌগী লৈঙাকলোননি কাইনা ৱাহন্থোক হন্দোক্তুনা নিংথৌ অমগুম লৈবাক ঙাক্কনি খল্লিবা লুচিংবা শাবশিং অসিদা ভোট পীবগী মহুত্তা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী তুংগী খন্দুনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ময়েক শেংনা খঙবা (government of the people, by the people, for the people), মীয়ামগী থৌগল তৌগদবা নহা ওইনা চোঙথোরক্লিবা লুচিংবশিং ওইনা খলহৌরসি হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদদি। মীয়ামগী খন্না চোঙথোরকপা লুচিংবশিং খল্লসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।